## ২শুবা এমসিএ লুৱাংপোকপা টি–২০ ট্রোফি ২০১৮

# পিএসসি খুয়াথোং, চেম্প খাগেম্পলি অমসুং ব্লু হোগ খুরাই মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০২ঃ

লুৱাংশঙবমগী লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথরক্লিবা অনীশুবা এমসিএ টি–২০ লুৱাং পোকপা ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান তোঙানবা গ্রুপ কী শান্নখিবা মেটচশিংদা পিএসসি খুয়াথোং, চেম্প খাগেম্পালি অমসুং ব্লু হোগ খুরাই মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচ অমদা পিএসসি খুয়াথোংনা কেএসদিও ক্যামগৈবু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা কেএসদিও না তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ৬৭ লৌবা ঙমখি।

ক্যামগৈগী বেটচমেন তারিকনা বোল ২৫দা রন ১৩ অদুগা অব্দুলনা বোল ১৬ তা রন ১০ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা পিএসসিগী বুংঙোরাজনা ৱিকেট ৩ অদুগা প্রসান্ত অমসুং মাংলেমনা ৱিকেট ২ ।২লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পিএসসিগী বেটচমেননা ওভর ১৩.২ দা ৱিকেট ৪ তুরগা অপীবা তারগেট য়ৌবা ঙমখি।

পিএসসিগী বেটচমেন প্রসান্তনা আউত ওইদবীদা বোল ৪২দা রন ৩৩ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফঙবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা ক্যামগৈগী বোল্লর তারিপনা ৱিকেট ২ অদুগা ফিরোসনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা টিসিএমদিসি থোংজু অমসুং চেম্প খাগেম্পালি অনীনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা চেম্পনা থোংজু টিমবু রন ৩৮ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা থোংজু টিমনা তোচ ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা চেম্পনা অপীবা ওভর ১৮দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১১৬ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা টিসিএমদিসি গী বেটচমেননা অপীবা ওভর ১৮ দা ৱিকেট ৭ তুরগা শুপ্পগী রন ৭৮ লৌদুনা অপীবা তারগেট য়ৌবা ঙমদনা রন ৩৪ দা মায়থিখি।

মেটচ অসিগী অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা খাগেম্পালিগী বোনিনা বোল ৩৭তা রন ৩৮ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ব্লু হোগ খুরাইনা এসএসয়ু শিংজমৈবু ৱিকেট ৮দা মায়থিবা পীখি।

এসএসয়ুনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ওভর ১৪ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৬৯ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ব্লু হোগকী বেটচমেননা ওভর ৮.৩ দা ৱিকেট ২ তুরগা অপীবা তারগেট য়ৌবা ঙমদুনা এসএসয়ুবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা ব্লু হোগকী অবিসেক্না ৱিকেট ৩ অমসুং আউত ওইদুনা রন ৫ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফঙবা ঙমখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা সিদিসি শগোলবন্দ অমসুং কেআইৱাইসি ক্ষেত্রিগাও শান্নগনি। অনীশুবা মেটচতনা অল–অমিন লিলোং অমসুং য়ুসিসি থেংনগনি অদুগা অহুমশুবা মেটচতনা মোদেল ক্লব চিংঙামখা অমসুং কেএসদিও ক্যামগৈ মুস্লিম অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

## ১৩শুবা লাইজিং নিংথৌ কাং টুর্নামেন্ট

# য়াইস্কুল কাংখুৎনা কোন্থৌজমবু মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ঃ



থাংমৈবন্দগী ইবুধৌ লাইজিং নিংথৌ শঙলেন্দা লাইজিং নিংথৌ অহললোন কাংখুৎনা শীন্দুনা চথরিবা ১৩শুবা লাইজিং নিংথৌ অহললোন কেন্দ্রৱাইস লীগ কম নোক আওত কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়াইস্কুল কাংখুৎনা কোন্থৌজম কাংখুৎপু পাঞ্জল ২৮–১৬ তা মায়থিবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মায় পাকখ্রবা য়াইস্কুল কাংখুৎনা থা অসিগী ৫দা শিংজমৈ কাংখুৎকা অহানবা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়াইস্কুলনা শান্নবা হৌরকপদগী লিদ তৌদুনা লাকখি।

য়াইস্কুল কাংখুৎনা অহানবা হাল্ফকী শান্নবদা পাঞ্জল ১৪ লৌবা ঙমখি। অদুগা কোন্থৌজমনা পাঞ্জল ৭ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা কোন্থৌজমনা পাঞ্জল ৯ হাপচিনবা ঙমখি। অদুগা য়াইস্কুলনা পাঞ্জল ১৪ অমগা হাপচিন্দুনা ২৮–১৬ তা কোন্থৌজমবু মায়থিবা পীখিবনি।

মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কাংখুৎকী শান্নরোইশিং অদুদি এম নাবাকুমার শর্ম্মা, পুর্নাচন্দ্র শর্ম্মা, প্রিয়োকুমার, আর কে জিলা সানা, জয়কুমার শর্ম্মা, শ্যাম্মনন্দা, আর কে লৈরেন সনা অমসুং তোম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল থা অসিগী ৬তা থাংমৈবন্দ এ কাংখুৎ অমসুং কৈশামথোং কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

## ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কেকেজিপি কাইরং অমসুং এদব্লিউএসসি অৱাং ৱাবগাই মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০২ঃ

ৱাইটর ক্লব অৱাং পোৎশঙবম খুল্লেননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চথরক্লিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ১১ মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–সিগী লীগ মেটচ অমদা কেকেজিপি কাইরংনা মহারাবি এফসিবু ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

কাইরং টিমগী মায়পাকপগী গোলশিং অদু এমদি ফয়াস উদিননা গোল ২ শান্নবগী ৪৭ অমসুং ৫৮শুবা মিনটতা অদুগা এমদি ইমদর্দ, এমদি য়াসির অমসুং এমদি অয়ারুদিননা গোল অমমম শান্নবগী ১০শুবা, ৪৩শুবা অমসুং ৫৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মহারাবীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এ লনচেম্বনা শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এদব্লিউ এসসি অৱাং ৱাবগাইনা এনৱাইসি নিলাকুথিবু গোল ৫– ৩ দা মায়থিবা পীখি।

এদব্লিউ এস সি গী মায়পাকপগী গোলশিং অদু কে কুবেরনা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা গোল ১, এন জিতেননা শান্নবগী ৩৮ অমসুং ৬৩ শুবা মিনটতা গোল ২, সিঐচ জোন্সন অমসুং এম অমরজিৎনা শান্নবগী ৪৫ অমসুং ৫২ শুবা মিনটতা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

নিলাকুথিগী গোলশিং অদুনা এন জি পিটতরনা শান্নবগী ৮ শুবা মিনটতা গোল অমা অদুগা এন জি রোনাল্ডনা শান্নবগী ২৮ অমসুং ৫৮ শুবা মিনটতা গোল ২ চনবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা রেফরিনা শান্নরোই মরি অৱাং ৱাবগাইগী এস সঙ্কর অমসুং এন জিতেন অদুগা নিলাকুথিগী এল রোসন অমসুং এনজি রহুল য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি। হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ–দিগী লীগ মেটচ অনি শান্নগনি। অহানবা মেটচতা কেৱাইদিসি কৈকোল অমসুং সেকমাই এফসি অনীনা লম্বা তৌনগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচতনা এমৱাইএ লৈকিনথাবী অমসুং অৱাংপোৎশঙবম খুনৌ অনীনা শান্নরগনি।

# নেরোকা এফসিনা নুং ঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ঃ

মালেমগী তোঙান তোঙানবা কন্ত্রি মরি– চাইনা, থাইলেন্দ, মালেসিয়া অমসুং জোর্দান্দা শান্নরুনবগীদম ইনি দয়াগী এক্সপোজর ট্রিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক নেরোকা ফুটবোল ক্লবকী অন্দর –১৫গী শান্নরোই ইরেংবম সান্তোস সিংহবু খল্লকপদা ক্লব অসিনা হরাওবা অমসুং নুং ঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

মখাতানা ফোঙদোরকপদা শান্নরোই অসিগী তুংগী পুন্সিদা মায় পাক্কবা য়াইফবা মঙ্গোল পীখি।

# এম আর এ না খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ঃ

মীজোরামগী কোনুং আইজোলদা চহি অসিগী ওগষ্ট ৬তগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন সুট্টিং কম্পিটিসনদা শরুক য়ানবগীদমক ষ্টেট অসিগী এনআরএআই গী মেটচ বুক্কী বুল ১.৪ ক্বালিফাইদ ওইরবা সুট্টরশিংনা থা অসিগী ৫ ফাওবগী মনুংদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা অয়ুক পুং ৬তগী ৯.৩০ ফাওবগী মনুংদা ইন্ত্রি ফোর্ম সম্মিট তৌনবা মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসননা খঙহল্লক্লি।

# রিসিকান্ত ৱার্ল্ড নোমেদ গেমস শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ঃ



কিরজিষ্টানগী চোলপোন অতাদা সেপ্টেম্বর ১দগী ৯ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড নোমেদ গেমসতা শরুক য়ারুনবগীদমক ওল মণিপুর ট্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিয়েসননা টি রিসিকান্ত শর্ম্মাবু খনখ্রে।

গেমস অসিদা রিসিকান্তনা সেনিয়র কাংলুপকী ৬৫ কেজি কেতেগোরিদা শরুক য়াগনি হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙহল্লক্লি।।



*জিম্বাৱেদা পাঙথোকপা টি–২০ সেরিজগী অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা পাকিষ্টানবু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে*




# অম্ফানা টুর্নামেন্ট অনিগী স্পোট্টর ৮ খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ঃ

খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা থা অসিগী ৬ অমসুং ৭তগী হৌগদৌরিবা ২২শুবা সব–জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমসুং ১৮শুবা জুনিয়র গার্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট অনিসিদা স্পোট্টর ওইগদবা কোচ ৮ খনখ্রে।

জুনিয়র গার্লস ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা এল চাওবা দেবী, এম সুরমালা চনু, এস মনিতোম্বী দেবী অমসুং এন রোনিবালা দেবী খনখি।

অদুগা সব–জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা এস অমুতোম্বী সিংহ, এন রতনকুমার সিংহ, এস সান্তা সিংহ অমসুং সহেদ রাশিম খনখি।

# এমসিএ গী ওফিসিয়েল অনী ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ঃ

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই) না শীন্দুনা থা অসিগী ৩দগী ৭ ফাওবা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম ফোর ক্যুরেটর্স ফোর নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট এসোসিয়েসনদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ওফিসিয়েল অনী গুৱাহাটিগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ওফিসিয়েল অনী অদুদি মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ক্যুরেটর তখেল্লম্বম রাজেন সিংহ, অমসুং আইসিএআরগী সাইন্টিস ডাঃ তেনশুবম বাসন্ত সিংহ নি।

মখোয় অনীনা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শীন্দুনা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াগনি।




# থৌবাল অমসুং ককচিংগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অনীনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট ৮দা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ইন্টর স্কুল গেমসতা শরুক য়ানবগীদমক থা অসিগী ১৬তা ৱাংজিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি।

ইভেন্টশিং অদুদি নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহি ১৭ মখাগী ফুটবোল, নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহি ১৯ মখাগী ছেপাক তাকো, নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহি ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী স্বুইমিং, দাইবিং, এথলেটিক, অর্চরি, নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহি ১৭ মখাগী কবাদি অমসুং নুপামচাখক্কী চহি ১৭ মখাগী সোফটবোল নি।

ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শান্নরোইশিংনা দিৱাইএএস থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওফিসতগী ফোর্ম লৌরবা য়ারগনি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা নাকল অমরোমদা ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ১০ ফাওবা ওইগনি হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসার আই পুর্নিমাসি দেবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙল্লক্লি।

# ১৮শুবা চুরাচন্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ঃ

চুরাচন্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ১৮শুবা চুরাচন্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ এসোসিয়েসন অসিগী ইন্দোর হোলদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর পুলিসকী দিজিপি এলএম খৌতেনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা চুরাচন্দপুরগী দিসি শ্যামলাল পুনিয়ানা অখন্নবা মীথুংলেন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এসপি কবিব কেনা অখন্নবা হোষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা এক্সিভিসন মেটচ অমদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা খৌতেগী টিমনা চুরাচন্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী টিমবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীখি ।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*